## প্রিজনরশিং থাদোক্লবা হৌখ্রে

কিভ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

যুক্রেনিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং ইষ্টর্ন যুক্রেনগী প্রো-রসিয়ন সেপরেটিসশিংনা প্রিজনরশিং থাদোক্তুনা শীন্নবা হৌখ্রে হায়না যুক্রেনগী প্রসিদেন্টকী ওফিসনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০২০ গী অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা প্রিজনরশিং শীন্নবা অদুদা যুক্রেন্না লৈবাক অসিগী সিটিজন ১৯ লৌশিল্লগনি হায়না প্রসিদেন্সিএল ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙখি। তৌইগুম্বসুং যুক্রেন্না সেপরেটিসশিংদা প্রিজনর কয়া হনগদগে হায়বদুদি পনখিদে।

## কোভিদ টেষ্টিং বুঠ হাংখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরাপানা মোবাইল টেষ্টিং বুঠ অমা হাংদোকখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী হেল্থ মিনিষ্টর বি শ্রীরামুলুনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়েদিয়ুরাপানা কোভিদ টেষ্ট তৌনবগী মোবাইল বুঠ অদু মহাক্কী হোম ওফিসতা হাংখিবনি। হৌজিক্তগী টেষ্টিং বুঠ অসি ৱার্দ খুদিংমক্তা কোভিদ টেষ্ট তৌনবগীদমক্তা ফংহল্লগনি হায়না শ্রীরামুলুনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। বুঠ অদু পুথোক-পুশিনদা খুদোংচানবগীদমক্তা ওটোরিস্কো অমদা থমখি।

## রুহানগী লেবতগী ভাইরস লাকখিব্রা হায়বা খঙনবা যু এসনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি : দোনাল্ড ট্রম্প



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

মালেম শীন-থুংনা শন্দোক্লিবা শাথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না থোকহল্লিবা নোভেল কোরোনাভাইরস চাইনাগী রুহানদা লৈবা লেব অমদগী হৌরকখিব্রা হায়বগী মতাংদা চপ চাবা অমা খঙদোক্লবা যু এস গভর্নমেন্টনা থিজিনবগী থবক অমা চথরি হায়না যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনসু হীরম অসিগী মতাংদা বৈজিংনা মখোয়না খঙলিবা পুম্বা শেংনা ফোঙদোক্কদবনি হায়খ্রে।

শাথিরবা নোভেল কোরোনা-ভাইরসকী হৌরকফমগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা চমন্নদুনা লৈরিবনি। জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী চেয়রমেন জেনরেল মার্কমিলিনদি যু এস ইংটলিজেন্সনা কোরোনাভাইরস অসি মহৌশাগী ফিভমদগী থোকচরকপনি হায়রদুনা চাইনাদা লৈবা লেবোরেটরি অমদা পুথোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়বা মীওই খরনা থাজনবা ৱাফম অসিগী ওন্ন-তৈনবদা ভাইরস অসিগী হৌরকফমগী মতাংদা ইঙ্গিৎ পীখি। তৌইগুম্বসুং অনীমক চপ চাবা ৱাফমশিংদি ওইদ্রি।

যুমশকৈশা নুমিৎকী ফোক্স ন্যুজকী রিপোর্ট অমদা ভাইরস অসি চাইনানা ভাইরসশিং মশক খঙদোক্লবা অমদি থেংননবা হোৎনরিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লম অসিদা লৈরিবা কেপেবিলিটিশিংগা মান্নে নৎত্রগা মখোয়দগী ফাওবা হেল্লি হায়বা উৎননবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা রুহানদা লৈবা লেবোরেটরি অমদগী হৌরকখিবনি, তৌইগুম্বসুং বাইওৱেপন অমদি নত্তে হায়না ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অসিগা লোয়ননা অতৈ রিপোর্ট কয়ানা ভাইরোলোজিগী চাংয়েং কয়া পাঙথোক্লিবা অদুগা সেফটি ষ্টেন্দর্দসতি ৱাৎপা রুহানগী লেবতগী কনাগুম্বা অমদা ইনফেক্সন থোক্লবা মতুংদা মনাক নকপা ৱেট মার্কেট অমদা মখা তানা ভাইরস অদু শন্দোকপা হৌখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী মালেম পুম্বগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ২ হেন্না শোকহল্লবা নোভেল কোরোনাভাইরস অসি লেব অমদা পুথোকখিবনি হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা ফংদে হায়না ফোঙদোরকপা লৈরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

## য়েমেনদা কোলিসন্না এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথখ্রে



সানা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না শগোলশেল নুমিত্তা হৌথি মুভমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা য়েমেনগী কেপিটেল সানাগী মফম অনীদা এয়রষ্ট্রাইক ৬ চথখ্রে হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মীওইশিং অদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, এয়রষ্ট্রাইকশিং অদু কেপিটেল সানাগী অৱাং নোংচুপ্লোমদা লৈবা ৱাদি দাহিরিন অমসুং কেপিটেল সিটিগী খা নোংপোক্তা লৈবা খাওলাল অল-তিয়াল কৌবা মফম অনীদা টার্গেট তৌদুনা চথখি। সনা সিটিগী মফম কয়াদা ৱার প্লেনশিং অমসুং বোম পোকখায়বগী মখোল কয়া তাবা ফংখি।

য়েমেনগী হৌথি গ্রুপকা লান্থেংনরিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরাব কোলিসন্না যু এননা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবা কয়াবু শৌগৎলদুনা লৈবাক অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী চয়োল অনীগী সীজফায়র হৌখিবা এপ্রিল ৯ দা লাউথোকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা য়েমেনগী সিভিল ৱার অসিদা মীওইশিং কয়াগী পুন্সি লোমখ্রবনি।

কুমজা ২০১৪গী অথেংবা শরুক্তা ইরান্না শৌগৎপা হৌথি গ্রুপনা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা লমদমগী অয়াম্বা শরুক কন্ট্রোল তৌশিনখিবগা লোয়ননা কেপিটেল সানাদা বেজ তৌবা মালেম্না শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাবু মন্সোর হাদিগী গভর্নমেন্টবু নমদুনা কেপিটেলদগী ইন্থোকখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি। হাদিগী গভর্নমেন্ট শৌগৎলদুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না কুমজা ২০১৫ দা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিনখিবনি।

## মে-জুনদা ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনাভাইরস কেস ৯৫,০০০ য়ৌবা য়াই



জকর্তা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

মে অমসুং জুন থাগী মরক্তা ইনফেক্সন ৯৫,০০০ রোমগা লোয়ননা ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং য়াম্না কা হেন্না ৱাংবা ফিভমদা লাকপা য়াই হায়না গভর্নমেন্ট এদভাইজর অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদসু লাইচৎ অসিগী ফিভম লুশিল্লক্লি হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পীখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা কেস ৫,৫১৬ রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা মীওই ৪৯৬ শিখ্রবা লৈবাক অমগী ইনফেক্সনগী চাং চপ চানা খঙহনবা ঙমখিদবা গভর্নমেন্টকী মঙম শানদবা থৌরাং খরা লৈবাক অসিদা মীয়াম্না উনখ্রবা মতুংদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং লৈবাক অসিদা খঙহেন হেনগৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না হেল্থ এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌদুনা লাকখিবনি। চাইনাগী ৱাংমদা ইষ্ট এসিয়াগী ওইনা ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনাভাইরসনা মীমশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লি।

ইন্দোনেসিয়াদা পান্দেমিক অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা থাক মেগী অহৌবা শরুক্তগী হৌরগা জুন থাগী অহৌবা ফাওবা লৈগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না পব্লিক হেল্থ এক্সপার্ট অমা ওইবগা লোয়ননা ইন্দোনেসিয়াগী কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী এদভাইজর অমা ওইরিবা ৱিকু অদিসাস্মীতোনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না পীক্কী মতম অসিদা ইন্দোনেসিয়াগী কেস মশিং ৯৯,০০০ য়ৌবা য়াই। হর্বাদ য়ুনিভর্সিটি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী ইপিদেমিওলোজিকেল মোদেলিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দোনেসিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং জুলাই ফাওবগী মতমদা ১০৬,০০০ য়ৌবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিগী পি সী আর টেষ্ট ৪০,০০০ লোম পাঙথোকখ্রবনি।

## 'মিদল ইষ্টতা কোরোনাভাইরসনা মীশি-মীনা চাওনা থোকহনগনি'

জিনিভা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

মিদল ইষ্টতা কোরোনাভাইরস লাইচৎ পাকশন্না শন্দোরক্লবদি কনফ্লিক্ট জোনশিংদা হান্নদগী চান-থক্লবা অমদি হীদাক-লাংথকনচিংবগী খুদোংচাবা ৱাত্তুনা লৈরবা মীওই মিলিয়ন কয়া অৱা-অনা অমদি মীশি-মীনা হেন্না মায়োক্নহন্দুনা লমদম অসিদা সোসিও-ইকনমিক্কী অচৌবা কাং-খোং চাইবগী ফিভম অমা লাকহনবা য়াই হায়না ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ দ রেদ ক্রোস (আই সী আর সী)না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা পব্লিক হেল্থকী থৌরাংশিং ওইনা মফম কয়াদা থল্লিবা কর্ফিয়ুশিং অমসুং লোকদাওনশিংনা লমদম অসিগী মীওইশিং হান্নদগী হেন্না ৱাহন্দুনা মীওই কয়াদি ইমুং পুনবা হোৎনবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইদুনা লৈরবনি হায়না কম্মিটি অসিনা ফোঙদোকখি।

জিনিভাদা বেজ তৌবা এজেন্সি অসিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা মদিল ইষ্টকী লৈবাকশিং ওইরিবা সিরিয়া, ইরাক, য়েমেন,গজা, লেবনন অমসুং জোর্দানবু অখন্ননা পনবগা লোয়ননা ইরাং কল্লবা লমদম অদুগী ওথোরিটিশিংদা মতম খরগী তুংদা শোয়দনা থোক্লকপা য়ারিবা মাঙ তাকপগী ফিভম অমসুং সোসিও-ইকনমিক আঠক্কেক অমগীদমক্তা শেম-শাননবা অপিল তৌখি।

মিদল ইষ্টনা হৌজিক কনফ্লিক্ট জোনশিংদা পাক্তক্লনা শাথিরবা ভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা অমদি সোসিও-ইকনমিক্কী ওইবা কাং-খোং চাইবগী ফিভম অনী অসিগী অকিবশিং মায়োক্লরি। ক্রাইসিস অনীমক্না শাথিরবা অৱা-অনা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়না নিয়র এন্দ মিদল ইষ্টকী আই সী আর সীগী দিরেক্টর ফাব্রিজিও কার্বোনিনা ফোঙদোকখি।

আই সী আর সীগী ষ্টেটমেন্ট অদুদা লমদম অদুগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা ইরানবুদি পনখিদ্রবসু এজেন্সি অসিগী স্পোক্সপর্সন অমনা ইরানিয়ন রেদ ক্রেসেয়ন্ট সোসাইতিবু মখোয়না শৌগৎলি হায়খি।



## আর্মি হেদ ক্বাটরসকী থবক এপ্রিল ১৯ দগী ষ্টাফ চাদা ৫০না শুবা হৌরগনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবা লৈবাক শীন-থুংনা লোকদাওন শাংদোক্লিবসি য়েংদুনা ইন্দিয়ন আর্মিনা মিলিটরি ইষ্টাব্লিসমেন্ট, কন্টোনমেন্ট, ফোর্মেসন হেদ ক্বাটরস অমসুং য়ুনিট পুন্নমক্তা এপ্রিল ১৯ য়ৌদ্রিফাওবদি চৎথোক-চৎশিনগী থবক পুন্নমক লেপ্পনবা খঙহনখ্রে।

এপ্রিল ১৯ দগী মে ৩ ফাওবা মিলিটরি হেদ ক্বাটরসনা চাদা ৫০ গী ষ্ট্রেংথতা থবক তৌবা হৌবা য়াগনি হায়না ফোর্স অসিগী অনৌবা এদভাইজরি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুমওইনমক আর্মিনা ইসেন্সিএল সর্ভিসশিংগা মরী লৈনবা পর্সনেলশিংদি হায়রিবা মতম অসিদসু চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরাং অসিনা ফোর্মেসনশিং নৎত্রগা য়ুনিটশিংগী ওপরেস্নেল থবক খুদিংমক্তা অয়েৎ-অপন থোকহনবদি তৌরোই। অসিগুম্বা থবকশিং তঙাইফদবা ষ্ট্রেংথকা লোয়ননা পাঙথোক্কনি হায়না এদভাইজরি অদুনা ফোঙদোকখি।

এপ্রিল ১৪ দা লোইখিবা লোকদাওন মখা তানা মে ৩ ফাওবা শাংদোকখিবগা লোয়ননা আর্মিনা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। অনৌবা ইনষ্ট্রক্সনগী মতুং ইন্না এপ্রিল ১৯ য়ৌদ্রি ফাওবদি আর্মি হেদ ক্বাটরস মনুংদা শুপ্পগী মিলিটরি ওপরেসনশিং, মিলিটরি ইন্টলিজেন্স, ওপরেস্নেল লোজিষ্টিক অমসুং ষ্ট্রেটেজিক মুভমেন্টগী ব্রাঞ্চশিংনা ওপরেস্নেল অমসুং কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোক্কনি।

এদভাইজরি অদুনা মখা তারদুনা লেমহৌরিবা ব্রাঞ্চশিংনা ময়ুম-ময়ুমদগী মথৌ তৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। এপ্রিল ১৯ দগী মে ৩ ফাওবা আর্মি হেদ ক্বাটরস, কম্মান্দ হেদ ক্বাটরস অমসুং ফোর্মেসন হেদ ক্বাটরসকী ওফিসশিংনা চাদা ৫০গী ষ্টেংথকা লোয়ননা থবক হৌরবা য়াই হায়না এদভাইজরি অদুদা পনখি।

## পেসেন্ট অমা কোরোনা পোজিটিভ ওইরম্বদগী কোলকাতা মেদিকেল কোলেজগী গাইনিকোলোজি ৱার্দ থিংজিনখ্রে

কোলকাতা, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সি) :

অঙাং উনখিবা নুপী পেসেন্ট অমা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী কোলকাতাদা লৈবা এন আর এস মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী লেবর রুম অমসুং গাইনিকোলোজিকেল ৱার্দ মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে।

হোস্পিটালগী সোর্সশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, নুপী অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা অঙাং উনখি। তৌইগুম্বসুং মথংগী নুমিত্তা মহাক কোভিদ-১৯ গী লাইওংশিং উৎলকপা হৌখি। মহাক্কী স্বাব সেম্পল চাংয়েংগীদমক্তা থাখি অমসুং মদুগী রিজল্ট য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাকখিবগা লোয়ননা মহাক নোভেল কোরোনাভাইরস পক্লে হায়বা খঙবা ঙমখি। নুপী অদু হৌজিক দেজিগনেটেদ কোভিদ-১৯ হোস্পিটালশিংগী মনুংদা অমদা ট্রান্সফর তৌরবা য়াই হায়রি।



ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা লেবর রুম অমসুং গাইনিকোলোজি ৱার্দ অদু কেমিকেল ফ্যুম কাপশিন্দুনা নীংথিনা মহিক-মতাইনচিংবা মাঙহল্লবা মতুংদা নৌনা অমুক হাংগদৌরিবনি। কোরোনা পোজিটিভ ওইরবা নুপী অদুগা লেবর রুম পুনমিন্নখিবা অতৈ পেসেন্টশিং অমদি মহাক্কা নকশিন্নখিবা অতৈ নুপী খরা ক্বারন্টিন তৌহনখ্রে।

হোস্পিটাল অসিনা নুপী অসিগা নকশিন্নখিবা দোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিং মশক খঙদোক্তুনা ক্বারন্টিন চথহল্লগনি। মমাংদা মেল মেদিসিন ৱার্দকী নহা ওইরিবা পেসেন্ট অমা কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট রিজল্টতা পোজিটিভ ওইখিবদগী এন আর এস মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী দোক্তর, নর্স অমসুং অতৈ হেল্থ ৱর্কর ৭৯ ক্বারন্টিন তৌখ্রবনি। ৱার্দ অসিসু দিসইনফেক্টেন্টশিং কাপশিন্দুনা সেনিটাইজ তৌনবগীদমক থিংজিনবা লৈখ্রবনি।

## টামিল নাদুদা দিসইনফেক্টেন্ট টনেলশিং লৈহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে




চেন্নাই, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগী থৌরাং অমা ওইনা য়ুম-কৈশিং অমসুং অতৈ থৱায় পান্দবা ষ্ট্রকচরশিংগা মান্নদবা মীওইবদা দিসইনফেক্টেন্টশিং কাপশিন-চাইশিনবা অসিনা উন্সা অমসুং মীৎনচিংবা শোকহনবগী অতৈ অরুবা ফিভম কয়া লাকহনবা য়াই হায়না সিনিয়র হেল্থ ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দিসইনফেক্টেন্ট টনেলশিং কদায় ফাওবা কান্নবগে হায়বসি প্রুভ তৌবা লৈতবগা লোয়ননা মখোয়না অতৈ কমপ্লিকেসনশিং থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা টামিল নাদু গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা দিসইনফেক্টেন্ট টনেলশিং ইনষ্টোল তৌদনবা ৱারেপ লৌখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট কলেক্তরশিংদা অসিগুম্বা টনেলশিং থম্বগী অয়াবা পীদনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

টামিল নাদুগী তিরিপুর টাউনগী মনা-মশিংগী কৈথেল অমদা ইহান হানবা দিসইনফেক্টেন্ট টনেল ইনষ্টোল তৌখিবনি। দিসইনফেক্টেন্ট টনেলনা কোরোনাভাইরস পক্লবা মীওই অমা দিসইনফেক্ট তৌবা ঙমদবা য়াই। ভাইরস অসি শন্দোরকপা থিংনবগী খ্বাইদগী ফবা পান্বেদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, সপোন শীজিন্নদুনা খুৎ-শাশিং চাংনাইনা হান্বা অসিনি। করিগুম্বা মীওই অমা কোরোনাভাইরস পক্লকপা তারবদি ভাইরস অসি মপানগী দিসইনফেক্টেন্টশিংনা হাত্তোকপা ঙমদে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা হেল্থ ওফিসল অদুদা এজেন্সিদা হায়খি।

মহাক্কী মতুং ইন্না দিসইনফেক্টেন্টশিংনা উন্সাদা এলর্জিশিং, মীৎ নুংঙাইতবা অমসুং অতৈ পামদবা পোব্লেম কয়া লুরবা তাঞ্জা অসিদা থোকহনবা য়াই। দিসইনফেক্টেন্ট টনেলশিং অসি য়েংবদা ফজবদি য়াই। তৌইগুম্বসুং খুঙ্গংগী পুখ্রিদা নীংথিনা ঈরুজথোকপগা স্বিম্মিং পুল অমদা ঈরুজবা হায়বসিগী মরক্তা চাওনা খেৎনবা লৈ। খুঙ্গংগী অচৌবা পুখ্রিদা মীওই অমনা পুং কয়া ইরোইজবা য়ারবসু স্বিম্মিং পুলদদি মদু থোক্তে। মসিগীসু মথক্তা স্বিম্মিং পুলদা ইরোইবা লোইরবা মতুংদা অমুকসু ঈরুজথোকপা চঙই। দিসইনফেক্টেন্ট টনেল অসি স্বিম্মিং পুলগা মান্নবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## দোক্তরশিংদা এটেক তৌবগী থৌওং লাকশিন্নবা অকনবা লোশিং চৎনহল্লগনি



হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস থেংনরিবা দোক্তরশিং অমসুং হেল্থ ক্যের প্রোফেস্নেলশিংদা এটেক তৌরিবা মীওইশিংদা অকনবা মেসেজ অমা পীরদুনা টেলঙ্গনা পুলিসনা অদুগুম্বা লম হেনবা মীওইশিং অকনবা লোশিংগী মখাদা বুক তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

হন্দক্তা হায়দ্রবাদতা লৈবা গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটাল অনীদা থৌদোক খরা থোকখ্রবা মতুং দি জি পি এম মহেন্দর রেদিনা পুলিস পর্সনেলশিংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী মতাংদা ঙাকপিবগী থৌওং অমত্তা উত্তনবা খঙহনখি। মহাক্না পুলিস ওফিসরশিংদা অসিগুম্বা এটেকশিংদা চেন্নবশিং শোয়দনা চৈরাক ফংহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎনবা হায়খি।

অসিগুম্বা কেসশিংদা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখত্তবগীদমক্তা যুমশকৈশা নুমিত্তা টেলঙ্গানা হায় কোর্টনা পুলিসপু চৈ থাংলকখিবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী পুলিসনা লম হেনবশিং চৈরাক ফংহন্নবগীদমক ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

দোক্তরশিং অমসুং অতৈ হেল্থ ক্যের প্রোফেস্নেলশিংদা খুৎ থারিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা অহানবা এক্সনদা পুলিসনা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমা য়াওনা মীওই অহুম ফাখি। গান্ধি হোস্পিটালগী আইসোলেসন ৱার্দতা ট্রিটমেন্ট তৌরিবা মরী-মতা অমা শিখিবা মতুং হৌখিবা এপ্রিল ১ দা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ৱার্দ অসিমক্তদা লৈবা কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট অমা দোক্তর অমদা এটেক তৌখিবগীদমক্তা পুলিসনা ফাখি।

মতুং তারকপদা অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা হোংদোকখিবা এক্যুজ অদু ভিদিও লিঙ্ককী খুথাংদা মেজিষ্ট্রেট অমগী মমাংদা পুথোকখি। মহাক জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবা ওইরবসু মখা তানা হোস্পিটাল অদুদা ট্রিটমেন্ট চথগনি হায়রি।

অনীশুবা থৌদোক্কা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওস্মানিয়া জেনরেল হোস্পিটালগী জুনিয়র দোক্তর অমদা এটেক তৌবগীদমক্তা পুলিসনা মীওই অনী ফাখি। মখোয়না দোক্তর অদু কোভিদ-১৯ পক্লবা মীওইশিং লৈবা ৱার্দতা মখোয়গী মরী-মতা থম্বগীদমক্তা এটেক তৌখিবনি হায়রি।